# নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়াগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):** নেশনল রাইফল এসোসিএশন ওফ ইন্দিয়া (এন আর এ আই)গী মীৎয়েং মখাদা মিজোরাম রাইফল এসোসিএশন (এম আর এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ৮দগী ১৩ ফাওবা আইজোলদা পাঙথোক্কদবা ১২ রক শুবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা মণিপুরগী মহুৎ শীল্লুগদবা শুটিং শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংগী মীং লাউথোকখ্রে।

রাইফল অমসুং পিষ্টোল ইভেন্টকী ওইনা সব য়ুথ, য়ুথ, জুনিয়র, সিনিয়র অমদি মাষ্টর য়াওনা তোঙান তোঙানবা চহী কাঙলুপ মঙাদা অথোই অহেন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা তান্নগনি। মণিপুর রাইফল এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি এন রাজেন্দ্রোনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরগী টিম অদুদা নুপা অমদি নুপী শুটর শান্নরোয় ২৫না ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীনগনি। মণিপুরগী টিম অদুদা পি চরঞ্জিৎনা টিম কোচ কম টিম মেনেজর ওইনা লুচিংগনি।

মিজোরামগী আইজোলদা নুমিৎ ৬ নি চত্থগদৌরিবা নোর্থ ইষ্ট জোন শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ অদু এন আর এ আইগী মেটচ বুক ২০২৫গী রুলস এন্দ রিগ্যুলেসনগী মখাদা অখন্ননা চত্থগনি। লোয়ননা মিজোরাম রাইফল এসোসিএশনননা হায়রিবা চেম্পিয়ন্সিপ অদুবু মায় পাক্না অমদি মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবদগীদমক মণিপুরদগী টেক্নিকেল ওফিসলশিং য়াওনা ইন্টরনেশনল শুটিং স্পোর্টস ফেদরেশন (আই এস এস এফ)গী কোচ অমদি জজশিংনা ওফিসিএটিং কন্দক্ট তৌনবগীদমক মাঙজেননা এপোইন্ট তৌখিবসু লৈরে। মণিপুরী শুটিং টিমনা হায়রিবা এন ই শুটিং চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা গোল্ড য়াওনা মেদল কয়ামরুম লৌরক্কনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফ থৌবালগা লোয়ননা হয়েং ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতগী চেম্পিয়ন্সিপ অদুগীদমক মণিপুর থাদোক্কনি হায়না মণিপুর রাইফল এসোসিএশনগী চেরোল অসিনা মখা তারি।

# য়ু এস ওপনঃ অলকরাজনা জোকোভিক থোইরগা ফাইনেল চঙখ্রে

**ন্যু য়োর্ক, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী):** হৌজিক হৌজিক মালেমগী ওইনা অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরিবা কার্লোস অলকরাজনা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ২৪ রক ওইবা ঙমখ্রবা নোভাক জোকোভিক মায়থীবা পীরল্লগা য়ু এস ওপন ২০২৫গী ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

য়ু এস ওপন মেন্স সিঙ্গলসকী শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী ওইনা কার্লোস অলকরাজনা নোভাক জোকোভিকপু ৬-৪, ৭-৬ (৪), ৬-২দা মায়থীবা পীরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি। মশাগী চহী ৩৮ শুরবা নোভাক জোকোভিকনা মেটচ অদুদা মহাক্কী হৈশিংবা মপুংফানা উখোক্তুনা শান্নরবসু নহা ওইরিবা কার্লোস অলকরাজবু কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে।

অমরোমদা, মেটচ অদু মায় পাক্লবা মতুং কার্লোস অলকরাজনা ফোঙদোকখিবদা নোভাক জোকোভিককা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু মহাক্কী ওইনদি য়াম্না চেলেঞ্জিং ওইখি। মহাক্না নোভাক জোকোভিক মায়থীবা পীবা ঙমখিবা অসিমক য়াম্না নুংঙাইবা মীকুপ অমনি। অমদি মতম চুপ্পদা নীংশিংদুনা লৈহৌরগদবা মেটচ অমা ওইরগনি হায়খি। ফাইনেলদা মহাক্না দিফেন্দিং চেম্পিয়ন জেনিক সিন্নর নত্রগা ফেলিক্স ওগরগা লন্থা তৌনগনি।

# কেদেট নেশনল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপতা শরুক য়ারুগদবশিং ইম্ফাল থাদোকখ্রে



**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৬ (ঐচ এন এস):** উট্টরখন্দগী হলদ্বানিদা থা অসিগী ৮দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্কদবা ২০ লক শুবা কেদেট নেশনল ফেন্সিং চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ারুগদবা মণিপুরগী টিম ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরগী নুপা অমদি নুপী কেদেট ফেন্সিং শান্নরোয় ২৪গা লোয়ননা ওফিসল অহুম য়াওরগা পুন্না মীওই ২৭না চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াগদৌরি। শরুক য়ারুগদবা মণিপুর টিম অদু ঙসি ইম্ফালগী ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতগী মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএশনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ হেমজিৎনা য়াইফ থৌজাল পীদুনা লমথাখিবনি।

ঙসি লমথাখিবা মণিপুরগী ফেন্সিং টিম অদু ঐচ সুরঞ্জয় অমদি এস রঞ্জিৎ অনীনা টিম কোচ ওইনা অদুগা এস জয়েন্তনা টিম মেনেজর ওইনা লুচিংখি।

# ইন্দিয়ানা মেদল অনী শোয়দনা লৌরনি




**চেন্নাই, সেপ্টেম্বর ০৬ (এজেন্সী):** কোরিয়াগী গ্বাংজুদা ঙসিদগী হৌদোকখিবা ৱর্ল্ড অর্চরি চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী মেন্স অমসুং মিক্স টিম ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেদল অনীদি শোয়দনা লৌবা ঙম্লগনি।

মেন্সকী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী রিসপনা পোইন্ট ৭০৯ ফংলগা ৮শুবা মফম কনবা ঙমখি। অদুগা মিক্সতনা অমন সাইনি অমসুং প্রথমেজ ফুগেনা ওষ্ট্রেলিয়াবু নমথরল্লগা ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

হৌদোকপা নুমিৎতা ইন্দিয়ানা মেদল অনী শোয়দনা লৌবা ঙম্লগনি লোয়ননা মসিগী মথক্তা লেমহৌরিবা নুমিৎশিংদা ইন্দিয়াগী টিমনা কন্না হোৎনদুনা মেদল মশিং য়াম্না লৌবা ঙম্নবা হোৎনগনি হায়না রিসপ যাদবনা ফাইনেল চঙবা ঙম্লবা মতুং পাউচেশিংদা ফোঙদোকখ্রে।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1585


**Dragoljub Velimirovic (2505) - Slavoljub Marjanovic (2515)**
**Novi Sad, 1984**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 e6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nc6 | 5.Nc3 Qc7 |
| 6.f4 a6 | 7.Be3 Na5 | 8.Bd3 b5 | 9.a3 Bb7 | 10.O-O Nc4 |
| 11.Bxc4 bxc4 | 12.e5 h5 | 13.Qe2 h4 | 14.h3 Be7 | 15.Rad1 Nh6 |
| 16.Rd2 f5 | 17.Rfd1 Nf7 | 18.Nxf5 exf5 | 19.Rxd7 Qc8 | 20.e6 Nd8 |
| 21.Bd4 Rh6 | 22.Bxg7 Rxe6 | 23.Qh5+ Nf7 | 24.Qh7 Nd6 | 25.Na4 Kxd7 |
| 26.Nb6+ Kc6 | 27.Nxc8 Rxc8 | 28.Be5 Re8 | 29.b3 Bc8 | 30.Qh5 Rg8 |
| 31.bxc4 Reg6 | 32.Qf3+ Ne4 | 33.g4 Bc5+ | 34.Kh2 Bb7 | 35.Qd3 Kb6 |
| 36.Rb1+ Ka7 | 37.Rxb7+ Kxb7 | 38.Qd7+ Ka8 | 39.Qxf5 Ng3 | 40.Qf7... |


**QUESTION : Black to win**

**Puzzle 1584 Solution :**


**18. Re7+** *The white rook decoys Black's king. The white rook deflects Black's king away from protecting the square g7.* **Kxe7**
*18...Kf8 19.Qg7#*
*18...Kg8 19.Qg7#*
**19. Qg7+ Ke6**
*19...Ke8 20.Re1+ Be2 21.Rxe2+ Qe6 22.Rxe6#*
**20. Re1+** *The white rook attacks Black's king, which is defending the square f7 and the square e7.* **Kf5**
*20...Be2 21.Rxe2+ Kf5 22.Qf7+ Kg5 23.Qf4+ Kh5 24.Qh4#*
*20...Be4 21.Rxe4+ Kf5 22.h4 bxc4 23.g4#*
**21. Qf7+** *The white queen attacks Black's king, which is defending the square e4 and the square e5.* **Kg4**
*21...Kg5 22.Qf4+ Kh5 23.Qh4#Lolli's mate*
**22. Qf4+ Kh5**
*22...Kh3 23.Qh4#*
**23. Qh4#** *Lolli's mate*
**1-0**



Title : **Scenery**
By : Laishram Aaron Paul
Class : VI Roll No. : 12 Sec : C
School : Christ Jyoti English School



Title : **Hello Kity**
By : Langlen Shagolsem
Class : I Roll No. : 11 Sec :
School : Uchiwa High School



Title : **Frog**
By : N. Paras Meetei
Class : III Roll No. : 4 Sec :
School : Lainingthou Awangba School, Khurai




Title : **A Flower**
By : Nandeibam Nanao
Class : IV Roll No. : 12 Sec :
School :Kangleipak Modern School



Title : **Scenery**
By : Naorem Lamnganba
Class : V Roll No. : 21 Sec :
School : Kangleipak Modern School




Title : **A Flower**
By : Ningthoujam Reshmi
Class : III Roll No. : 32 Sec :
School : Kangleipak Modern School




Title : **Unicorn**
By : RK Amy Changkhonbi
Class : KG Roll No. : 19 Sec. : Pansy
School : Blooming Dale School




Title : **A Scenery**
By : Sapam Panthoi Chanu
Class : V Roll No. : 31 Sec. : Daffodil
School : SL. Arena of Learning



Title : **Umbrella**
By : Sinpangbi Chanu Haorokcham
Class : KG Roll No. : 20 Sec. :
School : Blue Mount School, Patsoi



Title : **A Flower**
By : Takhellambam Lamjingbi
Class : I Roll No. : 5 Sec. :
School : Kangleipak Modern School



Title : **Countryside path**
By : Tract Wayenbam
Class : IV Roll No. : 29 Sec. : Jasmine
School : SL. Arena of Learning




Title : **Garden & House**
By : Wakongthem Khwaithoiba
Class : I Roll No. : 2 Sec.
School : Leishangthem Kelimakhong Primary School




Title : **Akaza Vs Rengoku**
By : Derickson Maibam
Class : II Roll No. : 11 Sec : C
School : JJ School Montessori, Ghari



Title : **Happy Scenary**
By : Thoinao
Class : II Roll No. : 48 Sec. :
School : S.V. Getwell School



Title : **Scenery of Dawn**
By : Gunajit Ahongsangbam
Class : I Roll No. : 10 Sec. : B
School : St. Joseph's Higher Secondary School




Title : **Cartoon**
By : Puthem Yaiphaba
Class : KG Roll No. : Sec. :
School : Gem Public School




Title : **Sunflower**
By : : Tansilee Leimapokpam
Class : LKG Roll No. : 14 Sec. : B
School : Mount Princeton



Title : **Manipuri Girl on Traditional Attire**
By : N.C Bemma
Class : III Roll No. : 45 Sec. : C
School : Little Flower School



Title : **A Flower**
By : Gurumayum Sanaya Sharma
Class : IV Roll No. : 13 Sec. : C
School : Little Flower School



Title : **Han**
By : Akoijam Yaiphabi Devi
Class : V Roll No. : Sec. :
School : Kindergarten Montessori School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাউগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com